এন এস সী এননা ৰারোইশিন পুরকপগা লোয়নননা নাগাশিং পুনশিনবা পাল্লি

NOUSI AUDITORIUM
CHATHE RESTAURANT

দিমাপুর, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি):
এন এস সী এন-আই এমনা নাগাগী অরোয়বা ৰারোইশিন পুরকপগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী মীওই পুম্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবা পাল্লি। এন এস সী এনগী লুচিংবশিংনা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (ঈ এন পি ও)গা ৰারী শান্নদুনা ৰারোয়শিন পুরকপদা কাঙলুপ অসিগী মীওই পুম্নমক শরুক য়াহন্নবা হোৎনখি।

ঈ এন পি ওগী মায়কৈদা ইষ্টর্ন নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (ঈ এন এস এফ) অমসুং ইষ্টর্ন নাগা মাদরস এসোসিএসন (ঈ এন এম এ)না ৰারী শান্নবদা শরুক য়াখি। ৰারী শান্নবা অদুদা এন এস সী এনগী লুচিংবশিংনা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল দাইলোগকী মতাংদা মরু ওইবা ৰাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্নখি। অথুবা মতমদা ইন্দো-নাগা টোক্কী ৰারোইশিন পুরক্লবা ঈ এন পি ওনা লৌরিবা ফিরেপ্পু এন এস সী এনগী লুচিংবশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এন এস সী এনগী মায়কৈদা লূপ অসিগী চেয়রমেন ক্য তুকু অমসুং ভাইস চেয়রমেন তোংমেথ ৰাংনাওনা শরুক য়াখি। ঈ এন পি ওগী মায়কৈদনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট কেকোংচিম য়িমচুংঙরনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবুনা শরুক য়াখি। সেপ্তেম্বর ৪ দসু এন এস সী এন-আই এমনা ইন্দো-নাগা পীছ প্রোসেসকী মতাংদা নাগালেন্দা গাউন বুরাজ ফেদরেসন (এন জি এফ বি এফ)কা ৰারী শান্নবা লৈখ্রবনি। নাকল অনীমক্তা ইন্দো-নাগা পীছ টোক অথুন্বা মতমদা লোইশিন্দুনা নাকল অনীমক্তা য়ানিংগদবা মওংদা ৰারোইশিন পুরক্পা হায়না ৰারেপ লৌখি।

মমাংদা ইন্দিয়াগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা নাগাশিংগী মরক্তা মচোয়-মচোয় তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না এন এস সী এন-আই এমনা মরাল শীবা লৈখ্রবনি। লূপ অসিনা হায়খি, কনাগুম্বা খরনা অয়েৎ-অপন পীনবা হোৎনরবসু অথুবা মতমদা নাগাশিংগী অনীংবা অপান্বা মতুং ইন্না ৰারোইশিন পুরক্লগনি।

এন আই এনা চার্জসীট ফাইল তৌখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
অসাম পুলিসগী সব-ইন্সপেক্তর ভাস্কর কালিতা হাৎখিবগী মতাংদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না উলফাগী কাদর ৭কী মথক্তা চার্জসীট ফাইল তৌখ্রে।

বোর্দুমসা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর-ইন-চার্জ ওইবা ভাস্কর কালিতাবু কুমজা ২০১৮গী মে ৪ দা উলফা-আইগী কাদরশিংনা অরুনাচল প্রদেশকা লোন্নবা ঙমখৈদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা এন আই এনা উলফাগী বিজিৎ গোগোই, কান্তো বোরা, সন্তোস গোগোই, জুসিন্তা মোরান, বুবুল মোরান, সিপঙ্কর বোরা অমসুং মামুন দিহিঙ্গিয়াগী মথক্তা চাজসীট ফাইল তৌখি। থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদা অককৃবা পাউ অমা ফংবদগী ভাস্কর কালিতা য়াওবা পুলিস অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সেসকী অপুনবা টিম অমনা থিবা হুন্বগী থবক চথখি। নাকল অনী খুৎ থোক্লরকপদা সব-ইন্সপেক্তর ভাস্কর কালিতা লৈখিদবনি। লালহৌবশিংদি অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা নাম্থোকখিরম্মী।

সিকিমগী মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ তৌখ্রে

গেংতোক, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি) :
হৌখিবা নুমিৎ কয়ানি নোং কন্না চুরকখিবা মরম্না সিকিমগী তোঙান তোঙনবা মফম কয়াদা নৌনা লেন্দস্লাইদ থোরকখ্রে।

লেন্দস্লাইদ থোকপদগী লম্বী ফাওনখিদ্রবা মরম্না সিকিমগী মীওইশিং ষ্টেটকী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংগা ইফাও ফাওনখিদ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়, ইষ্ট সিকিমগী সিংতমদগী সিরৰানি তাবা লম্বী লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা ফাওনখিদ্রে। ইষ্ট সিকিমগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদসু লেন্দস্লাইদ থোকপদগী লম্বী ফাওনবা য়াদনা লৈরি। অৰাং থংবা মফমদা মঙ্গন্দগী গেংতোক ষ্টেট হায়ৱে তাবা লম্বী শেংদোক্তুনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলবসু লাইট ভেহিকলদগী হেন্না চৎপা য়াদ্রি। সাউথ সিকিমদসু মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী ত্রেলভ মাইন্দদা নামচিদগী দোরেথা তাবা লম্বী ফাওনবা য়াখিদ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

আইজোলদা লোকদাউন্না মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে

আইজোল, সেপ্তেম্বর ১১ (এজেন্সি):
মেজোরাম লৈঙাক্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউন থমখিবনা মরম ওইরগা আইজোলদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা অনলোক্কী থৌরাং লৌখৎলবসু ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ কেস মশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপা মরম্না আইজোল ম্যুনিসিপাল এরিয়ানা কোনবা মফমদা ঙরাং নুমিদাংদগী লোকদাউন থমখি।

ষ্টেট লৈঙাক্না থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়খি, সেপ্তেম্বর ১৭ ফাওবা আইজোল ম্যুনিসিপাল এরিয়ানা কোনবা মফমদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা ময়ুম-ময়ুমদগী মপান থোরকপা য়ারোই। মহৌশানা মী কা হেন্না চিনবা আইজোলগী লম্বীশিং ঙসিদি লোকদাউন্না মরম ওইরগা ইহাঙ হাঙখি। তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকান নত্তনা অতৈ দুকান পুম্নমক থোঙ লোন্নখি। লোকেল লেভেল টাস্ক ফোর্সনা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিনবা হোৎনরি।

শগোলশেল নুমিত্তা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশিং ১৪১ হেনগৎলকপদগী তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা আইজোল ম্যুনিসিপাল এরিয়ানা কোনবা মফম পুম্নমক্তা সেপ্তেম্বর ১৭ ফাওবা লোকদাউন থমখিবনি। নৌনা হেনগৎলকপা কেস ১৪১ গী মনুংদা ৯০ দি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী খুথাংদা লৌনরকপনি হায়রি।

ষ্টেট লৈঙাক্না ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়খি, অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবগী ট্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মরম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি। আইজোল ম্যুনিসিপাল এরিয়ানা কোনবা মফমদা অতোপ্পা মীওইশিং চঙবা য়াদ্রে। মফম অসিদগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তা থোরকপসু য়াহনখিদ্রে।

/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্তৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645
HL-B/6333/27/08-26/09

ষ্টেটকী পাউ

জোব কার্দশিং পীথোকউ হায়বা পি আই এলগী ওর্দর রিজার্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):
থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্তা কোনশিনমিন্নরিবা মাইবম উচিৰা গ্রাম পঞ্চায়েটকী মহাত্মা গান্ধি নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিম (এম জি এন আর ঈ জি এস)কী বেনিফিসরি ২৭৮৩গী জোব কার্দশিং, বেঙ্ক পাসবুক অমসুং পিন নম্বরগা কোন্ননা এ টি এম কার্দশিং বেনিফিসরি মশা-মশাদা পীথোকহনবিয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী ৰায়েল চথরগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

পি আই এল অসি খেলাখোং খোংমন্দগী এম দি মৈনম সিদিক (৬৮), অপোকপা থম্বৌ, উচিৰা নষ্টাওদগী এম দি ওলি (৬৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি অব্দুল কাদির অমসুং উচিৰা নাষ্টাও মখা লৈকাইদগী এম দি ৰাহিদ অলি (৪৭) অপোকপা এম দি মশ্রজনা পিটিসনরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকপনি। পি আই এল অসিগী নম্বর ১৭ ওফ ২০২০ নি।

অদুগা পি আই এল অসনা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লবনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েট রাজ (আর দি এন্দ পি আর)গী কন্মিসনর, ককচিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী দেপ্যুটি কন্মিসনরশিং, ককচিংগী ব্লোক দেভলপমেন্ট ওফিসর (বি দি ও), মাইবম উচিৰা গ্রাম পঞ্চায়েটকী পঞ্চায়েট সেক্রেটরি, জি পি অসিগী জিল্লা পরিষদ মেম্বর অমসুং প্রধাননি।

কেস অসি চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ২ দা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলগা খন্নখ্রে। কোর্টনা মেটর অসি খন্নরকপদা পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোটেন্দ্রোনা লেপ্পগা মহাক্কী জুনিয়র কাউন্সেল সয়েদ সুরতাজা অহম্মদনা এসিষ্ট তৌখি। কোর্টনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী য়াওনা নাকল অসিগী ৰাফমশিং তারগা পি আই এল অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌখিবনি। পনবা য়াবদি মেটর অসি খন্নরকপদা কোর্টনা এস পি/ভিজি লেন্সপুসু রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা কোনশিনখ্রবনি।

‘এস ও পি ঙাক্তনা দুকান ফম্বা, পোৎ লৈরম্বা থেংনরে’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): তমথিরবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ থেংননবা চেকশিন-থৌরাং কয়া লৌখৎনরিঙৈ চৈরকসিদা পাওনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলদা লৈঙাক্না লাউথোকখিবা এস ও পি ঙাক্তনা দুকান ফম্বা অমদি পোৎ লৈরম্বা থেংনরে হায়না পিপলর্স টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ (পি টি এফ সী-১৯)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পি টি এফ সী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপগন্দা ইন-চার্জ এম অঙম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী ভোলুন্টিয়রশিংনা ঙসি পাওনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়রনেস পাঙথোকখি। মদুদা পাওনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলদা এস ও পি ঙাক্তনা দুকান ফম্বা অমদি পোৎ লৈরম্বা থেংনখিবনি। এৱেয়রনেস অসিদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মতাংদা মীয়ামদা ৰাখল তাহনখি। ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী ৰাহন্থোক পুমকাও কাওনদুনা ঈশাগী অপান্বা পোৎ লৈনবগীদম মীনা কৃক কৃক ইন্নরি। কনামত্তনা পোৎ লৈবদা লাক্লিবা অমদি য়োল্লিবা মীওই অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙবা নত্তে। কনা-কনানা কন্টেনমেন্ট জোনদগী থোরক্লগা লাকপনো হায়বসু খঙবা ঙমদে।

অসুক লুরবা তানফমসিদা ঐখোয়না কোমথোক্লিবা চাংসিনা খুল অমদি লৈকাইদা লায়না লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোকহল্লক্কনি। মরম অদুনা ইম্ফাল কারকপদা মীয়াম্না ফেস্ক মাস্ক উপ্পা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং তৌরগা পোৎ লৈবা, মী উন্নবদা য়ামদ্রবদা ফিট ৪দগী ৬ ফাওবা লাকহনবা, দুকান খুদিংমক্কী চংফমদা হেন্দ সেনিটাইজর থম্বা, পোৎ য়োনফম দুকান খুদিংমক্কী চংফম মচিন্দগী হেন্না চঙহন্দবা, পোৎ য়োনফমশিংগী মনুংদা চংদুনা মী কৃক কৃক ইন্ননা পোৎ লৈবা তোকপিন্নবা কেম্পেন চথবনি। ইম্ফাল মনুংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হাংলিবা দুকানশিংনসু এস ও পি চপ চানা ঙাক্লা চৎহনবীয়ু। এস ও পি থুগায়বশিংগী মথক্তসু চপ চাব থবক লৌখৎনবা হোৎনগদবনি।

পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯ অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন অমদি এসোসিএসন ফোর হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরস ওফ ইন্দিয়ানা ঙসিসু মোরেল রেফোর্মেসন ক্লব, লম্বোইখুলগা খুৎশম্নদুনা ইমা ইরৈমা কাঙলোন লম্বোইখুলদা কোভিদ-১৯গী এৱেয়রনেস পাঙথোকখি। ইরোম মৈত্রাও মখা লৈকাই কম্যুনিটি হোলদসু সোসল দিভলপমেন্ট ক্লবকা পুন্না এৱেয়রনেস পাঙথোকখি। য়ুরেম্বম মখা লৈকাইদসু য়ুরেম্বম অপুনবা কোভিদ-১৯গী এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম চথখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প হৌদোকখ্রে : সুক

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :
ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী ফাউন্দেসনগা মরী লৈননা ‘কংলৈ মীয়ামগী কথোক্লবা ঈ’ হায়বা থীমদা চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ব্লদ দোনেসন কেম্প ঙসিদগী জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা পাঙথোকপা হৌখ্রে অমদি ‘শংহল্লসি কংলৈপাক’ হায়বা থীমদা চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রি প্লান্টেসন প্রোগ্রাম ঙসিদগী সুককী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজানা লুচিংদুনা সুক ওফিস অমদি পুৰারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা লাইফপ্লেন খরদা উ থাদুনা হৌদোকখ্রে হায়না সুক হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম সনাতোন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক মীয়ামদা সুককী থৌমীশিংনা কথোক্লিবা ঈশিং অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীয়াম্না অনা-লায়েংবা মতমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ঈ অসি মীয়াম্না হোস্পিটালদা চঙদুনা ঈ পীবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ ৰাৎলকপদা খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা সুককী থৌমীশিংনা পীজবনি। অথুবগী ওইনা মীয়াম্না ঈগী খুদোংচাদবা লৈরবসু সুক হেদ ওফিসতা পাউ পীবীয়ু। সুককী থৌমীশিংদা চেল্লিবা ঈশিং অসি মতম পুম্বদা পীনবা শেম-শাদুনা লৈরি। মালেমগী ওল্লক্লিবা অঈং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎ অসি খরদা ওইরবসু শাফৰকপদা মতেং ওইনবগী পান্দমদা চয়োল অমা চুপ্পা ট্রি প্লান্টেসন প্রোগ্রাম অসি শীঞ্জবনি। নুমীৎ ৭নি অসিদা কংলৈপাক্কী পুৰারীগা মরী লৈনবা মফমশিংদা উ থাগনি। মসিদা মীয়াম্নসু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু অমদি মীয়াম্নসু পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৰাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরগী মশক নাইরবা অইবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এম দি অব্দুর রহমননা খঙহৌদনা মশাগী য়ুমদা লৈখিদবদা সাহিত্য থৌপাং লূপনা ঙসি লূপ অসিগী ওফিসতা অৰাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। অৰাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা লূপ অসিগী এদভাইজর শরতচান্দ থিয়ামনা প্রসিদেন্ট ওইখি। লৈখিদ্রবা এম দি অব্দুর রহমন সাহিত্য থৌপাং লূপনা কুমজা ২০১৯দা ৱর্ল্ড পোইট্রি দেগা মরী লৈননা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দসু পীখ্রবনি। মহাক্না লৈখিদবসি সাহিত্যগী লমদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অমা ওইরগনি হায়খি।

কে এম দি সীনা দষ্টবিন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : নোর্থ এ ও সী মিনুথোংগী অকোয়বা লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা কেক্রুপাৎ মিনুথোং দিভলপমেন্ট কন্মিটি (কে এম দি সী)না শেম-শাদুনা মেন রোদকা তাইনবদা দুকান ফল্লিবশিংদা দষ্টবিন য়েন্থোকখ্রে।

ঙসিগী দষ্টবিন য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা কে এম দি সীগী প্রসিদেন্ট হাজি গ্যাসুদ্দিননা ফোঙদোকখিবদা, কংলা অমসুং কেক্রুপাৎকী শেংলবা মফম অসিগী ফেন্সিং ৱালগী মপান্দা মিনুথোং রোদ, মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা লম্বীশিং অসিদা ফত্ত-হাওদি পৈশিনবা কয়া য়াম্না তোইনা চঁথে। মসিবু মখা তানা তৌবীদনবা অকনবা থবক কয়া লৌখৎতুনা লাক্লিবা অসিগী খোঙথাং অমা ওইনা ঙসি দষ্টবিনশিং অসি শেমদুনা য়েন্থোকপনি। দষ্টবিন অসিদা অমোৎপশিং অদু হাপচিনবীরগা আই এম সীগী গার্বেজ গী লাক্লিবা গাড়ীশিং অদুদা হাপখিনবা আপিল তৌরক্লি। কোভিদ-১৯ শন্দোরক্তনবা খোঙথাং কয়া লৈঙাক অসিনা লৌখৎলক্লিবা অসিদা নোর্থ এ ও সীদা লৈরিবা দ্রগ য়ুজর, দ্রগ য়োল্লিবশিং অসি লৌখৎপীরগা সেন্টরশিংদা থমজিনবীনবাসু লৈঙাক্তা হায়জরি।

লিগেল এইদ ক্লিনিকশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ)গী সেক্রেটরিগী থবকসু পুরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লিগেল এইদ ক্লিনিক ৯দা হকথেংননা চৎতুনা লিগেল ক্লিনিকশিং অসিগী ফীভমশিং য়েংশিনখ্রে।

ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা সী জে এম/ইম্ফাল ৱেষ্টনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মীদিয়া কো-ওর্দিনেটর এদভোকেট সলাম দেবানন্দ, ফ্রন্ট ওফিস/দি এল এস এ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিটেনর লোয়র আর কে ইমোবা অমসুং দি এল এস এ/ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিস টিম অমসু লোয়নখি হায়রি। টিম অসিনা লিগেল এইদ ক্লিনিকশিং অসিনা মীয়ামগীদমক পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

/ ADMIT CARD LOST

I have lost my original Admit Card of Class XII - 2020 bearing Roll No. 9807 issued by Council of Higher Secondary Education Manipur on the way between Bamol Kampu to Khurai Chingangbam Leikai on 27th August, 2020.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thoudam Shyamchandra
Khurai Chingangbam Leikai
HL-P/7044/12

/পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, য়েৎকী শাগন নাম্মা হাইদোক হাইজিন তৌবদা নুংঙাইতবা, চাবা-থকপদা মচি ওইদবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, পোখারগতা লৈনীংবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেনবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, করিগুম্বা অমা চাশিল্লবসু চাবা তুমদবা, শা-ঙা, থাও-মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা অমদি নুংঙাইতবা, য়েৎকী শগন নাম্মা হাইদোক হাইজিন তৌবদা নুংঙাইতবা, মতম খরা লৈরগা য়েৎকী খোঙ নাম্মা চিংলকপা, পুকচেপ নাবা, খুকউ নাবনা মরম ওইদুনা ফমলুরগা ফুক লাউনা হৌগৎলগা চৎপা ঙমদবা, মসলশিং অসি চিকপা-নাবা, চাবা থকপদা মচি ওইদবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী কংবা, পোখারগতা লৈনীংবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, শিংলি নাওরি শোনবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা, কোক লূম-লূম লাউরগা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, য়াংলেন শরূদা চেল্ল-চেল্লগা চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/7172/12
থাগৎচরিবা : **M. Tombi Meitei, Heirok Part-II**

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)



হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্লচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্লচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্লচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal
HL-B/6359/06/09-06/10

CROSSWORD-3558



ACROSS
- 1 Recess (6)
- 4 Go aboard (6)
- 8 Bury (5)
- 9 Travel to and from work (7)
- 10 Et cetera (3,2,2)
- 11 Saltpetre (5)
- 12 Edible flatfish (5,4)
- 17 Marriage (5)
- 19 Move like a snake (7)
- 21 Short post barring traffic (7)
- 22 Fight with swords (5)
- 23 Opera by Bizet (6)
- 24 Grasping (6)

DOWN
- 1 Beast (6)
- 2 Fortress (7)
- 3 Sixth sign of the zodiac (5)
- 5 Keepsake (7)
- 6 Grown-up (5)
- 7 Custodian (6)
- 9 Made a saint (9)
- 13 Synthetic (3-4)
- 14 Make better or more attractive (7)
- 15 Canadian province (6)
- 16 Blood vessel (6)
- 18 Layabout (5)
- 20 Deduce (5)

Solution 3557

S	O	F	T		C	A	T	A	R	A	C	T
U		E		A		T		N		D		I
P	R	A	I	R	I	E		G	I	V	E	N
E		S		D		A		E		A		Y
R	A	T	I	O		S	H	R	I	N	K	
I				U		E				C		A
O	S	C	A	R	S		C	H	E	E	R	S
R		O				P		E				I
	E	N	A	M	E	L		A	L	E	R	T
C		Q		O		A		R		B		W
H	O	U	N	D		N	O	T	A	B	L	E
I		E		E		E		S		E		R
C	A	R	E	L	E	S	S		A	D	Z	E

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3357

7						8	1	
1			9				2	5
			1			6		
9			3				8	
5			8		1			2
	6				2			1
		3			5			
4	8				9			3
	7	5						9

Solution-3356

6	1	8	9	5	4	2	3	7
3	5	9	7	2	8	1	4	6
4	7	2	6	3	1	9	8	5
1	8	6	5	4	2	7	9	3
9	4	3	8	6	7	5	1	2
7	2	5	1	9	3	8	6	4
8	3	7	4	1	5	6	2	9
2	6	1	3	7	9	4	5	8
5	9	4	2	8	6	3	7	1

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

কৈনু

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম



চীংলাইদুনা ময়াদগী মৈ কাপ্পকপদা ঙমতাৰান লৈথোকপা নংহৌদদুনা মৈনা শাথিনা চক্লম্মী।